# ময়াই কাবা পোৎলমদৈ নহারোলগী পুন্সি কনবা

- ইবুংঙোম্না নিংথেমচা -

ময়াই কাবা পোৎলমদৈ নহারোলগী মমল য়াম্লবা পুন্সি কন্নবা পাম্বৈ ময়াম অমা লৈ। মদুশিংদু তশেংনা হোৎনবীগদবনি, খরদং চানৱা/চুম্বা হায়না হোৎনরম্লগা অমুক থওইবিদ্রবদি হেন্নদুম মদুনা অৱাবা ওইগল্লি।

তশেংনা অহল-লমন, নুপা নৎত্রগা নুপী খুন্নাইগী ফনবতা খঞ্জরিবা কৎথোকপা, পূক্নিং হকচাং শেংজবা, মতিক ময়াই লৈবা ঙসিগী খুন্নাইসিগী মীওইশিংনা মতিং লৈনা মপাঙ্গল মরৌশিংনা ঐখোয়গী হয়েংগী তুংগী যূম্বীরেল ওইগদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা ওইবশিংবু ময়াই কাবা পোৎলমদা লাইচুখিদনবা হোৎনবীবা তঙাইফদে। ময়াই কাবা পোৎ-চৈ চাবা, থকপদা পূক্নিং হকচাং লুপহল্লোইদবনি। পুন্সি অসি অফবদা কৎথোকপা, অমকপা লৈতবা লমচৎ-শাজৎ, চাকচা-য়াহিপ ফত্তবা হৈনবী য়াওদবা, থকসি-খাসি ঙাকপা ইমা ওইবীশিং, নুপী ওইবীশিং কয়াদা অঙাং-অহল খাক্তনা নত্তবা মীৎয়েং য়েংদবা ঐখোয়গী খুন্নাইগী মায় ওইজরিবা ফম্ফমসিদা নিংথিনা থমদুনা অতোপ্পা লৈবাক্লা ইকায়খুম্নবৈ মশক ওইহনবসিসু ঐখোয়না হোৎনজবৈ মওং মতৌদা লৈরিবনি। ঙসিগী নহারোল ঐখোয়না লাইওইখ্রবা থৌনা ফরবা অহল-লমন লৈবাক্কীদমক, মীয়ামগীদমক মালেমদা অচুম্বৈ লম্দা চঙশিন্দুনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মমা লৈবাকপু কন্নবা হোৎনখিবা খ্বাই খিবিক্তুগী ৱারী লাইরিক্তা পূক্নিং চিংশিন্দুনা মতৌ তমজনবা হোৎনবা তাবনি। করম্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক মহি-মপং-মনম চিংশিনবা, য়োৎশিনবা থাদোকহনগদগে হায়রবদি নক্লা লৈমিন্নরিবা মীওইনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরিবা খুদিংমক অয়াম্বনা তপশিন্নে, নোল্লুকপা শাজিন্নে, লাপথোকএ হায়রগা মখোয়না হেন্না শিংবদৌনা অনৌবা থাজদবা মওংগী পাম্বৈ, লৌশিং শীজিন্নে। খুদম ওইনা, মমা-মপাদদি অফবা পোৎ চৈ লৈনবনি; ঐ ফরবনি হায়রগা শেনফম খরা লৌরগা মতমগী চুনবা মশক খঙবা ৱারবা মীরৈবাক্তগী লোন্না নৎত্রগা অথিংবা মীওইশিংদগী নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নরগা ময়াই কাবা অপিকপা পোৎ চৈ পুরক্লগা লৈকায়দা পোৎ অদুবু মতিক ময়াই তাক্লগা লৈকায়গী মচিন তুমখৎলক্লিবা অফবা নহা কয়া মাঙহন্দবা নত্তে। হৈজদ্রদি মদুদা লাইচুবা কয়া শিখ্রবা মতুংদা ইচাদো লোন্না চাবা, য়োৎপা তৌরিবদো খঙহৌদেদা হায়না শোঞ্জবা মমা মপা কয়া লৈতবা নত্তে।

মরুওইবদি মমাশিংনা মচাবু লুনা কেথোক্লা য়োকপা য়াওই। মপা ওইবশিংদৈ মমাশিংনা হেন্না মচাবু ময়াই কাবা পোৎ চাই/চাদে খঙফম থোকই। খঙনা খঙনা মীয়াম খঙহনবদা ইকায়বদগী লোৎশিনবা অসিনা হেন্না তুংদা মচা ওইবশিংগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙই। মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল, অশেংবা অচম্বা পুন্সি মরেল, ইরৈবাক্কী মরমদা অখঙবা, উহৌবা, তাহৌবা ৱারী শিংবুল তৌবীবা, ফুঙ্গাদা মপা মচা মমানা চাক থোংলিঙৈ ৱারী তৌনবা, অফবা ৱা-পাউ পাউরৌ তাকপীবা, লমচৎ শাজৎ মাঙথরকপা য়াবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা থকপনা থোকহনবা অমাঙবা, ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঙমখৈ মাঙলকপা, অশিংবা শাদুনা লমখৈ শম্বল খাজিল্লকপা, ময়াই কাবা চারি-থক্লিঙৈ, অপং লাইচুরিঙৈ শাজেল-কাঙলোন খঙদদুনা শেলনা ময়াই কাবা পোৎ লৈরগা চাদুনা লৈরিঙৈ পুম্মাঙ মাঙলবনি, করিমত্তা লৈশিল্লক্ত্রবনি ঐখোয়গী শকফম মায়থোঙ ঐখোয়গী ওইনা উশিল্লক্ত্রে। ইচে-ইচল, মাগী-মাগী মপুরোইবগা চৎমিন্নবদা মপুরোইবনা মপাল লমগী মায়থোঙদা শেম শাবদৈ মী অতোপ্পা মানবা য়াওনরে। শম, কোই ফীভম চাদনা পামজরে হায়দুনা পংশেম শেম, পংখোক খাক তৌবদা মীগী মতৌ তন্বী হঙোই মরীন শুৎ শাৎ তারে। অৱাবনি ফজরবা য়েলহৌমীগী শক্তম, ইশাগী ওইবা হুন্দোক-মীগী মশক শেম ওন্থোকপনি পাম্মুজৈদকো। হকচাং শাজেল তৌগদবা, খোঙনা চৎকদবা, ইপা ইপুগী মতৌ নীংশিংগদবা, থিনা খৎনরসু অহলনা খুরুম খারম তৌনহন্দুনা তাইশিন্নেদো, মলোম থম্নদেদো।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদৈ লাপথোকপনা চাম্মদা চাম্মা ফরবনি। অফাওবা লৈবাক নীংবা মীওই মপোক্কী ৱারী তোয়না লাইরিক লৈদুনা পাগদবনি। পূক্নিং থৌগৎকদবনি। লাইরিক্কী পুক্কেশঙদা অফবা লাইরিক থমদুনা পূক্নিং লৌশিং ফনবা তৌগদবনি। অমুকসু য়েংউ ময়াই কাবা পোৎলম লল্লোলগা শেঞ্জাও পায়বা ওইনবা হোৎনরিবা কয়া অমগী লমচৎ শাজৎ, ইমুং মনুংগী ওইবা চৎন-লোনচৎ কায়থরকপা উদবা নত্তে। ঐখোয়গী খুন্নাই কায়থরক্তনবা মরুওইবা পাম্বৈদি শূবা-নোম্বা তন্দবা, পাঙ্গল লৌশিং ওইগদবা চিঞ্জাক (ময়াই কাদবা) চাগদবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাববু ফনবা, চাদনবা তৌবীবদা মায়কৈ খুদিংদগী মতেং পীফম থোকই। মহয় চারোইদবনি। লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, চৎন-লোনচৎ, চাকচা য়াহিপ খুদিংমক তাকপীগদবনি। ময়াই কাবা চাবশিং/চাবীশিং অচুম্বা লম্বীদা চঙলক্লবা কান্নদবা ময়াই কাবা পোৎলম খুদিং ঐখোয় লমদা থোকপা, মীরমদৈ পুশিল্লকপা পূম্নমক শীজিন্নদবনা ফগনি তাকপীগদবনি। মাঙথরক্লিবা খুন্নাইসিনা ৱাখল তাবীদুনা ঐখোয় ময়াই কাবা পোৎ চৈদগী থাপ্পা লৈরসি হায়না লাউমিন্নগদবনি। মীয়াম তিন্নফমদা অমদি লোইশঙশিংদা। অচুম্ববু অরানবা তাহনবীবা, মপুনা চৈরাক পীগনি কিদ্রা-হুরান লোন্নাদা ফৎতবা পোৎ ময়াই কাবা চাগনু, অচুম্বা তৌ, অচুম্বা খল্লু। ৱায়েল লোইশঙগী অহকপা চৈরাক ৱাখল তানা খঙহনবা মথৌ তাই। লৈকায়গী মী তিন্নফমদা ময়াই কাবা পোৎ চা থক্তনবা হায়বা ৱারোল ইরগা থেৎপা কান্নগনি। অকি-অকিবা লায়না ফত্তবা পোৎ চাবদৈ পোকই, হকচাং মাঙনীংঙাইনি তাকপা ৱারোলসু থমগদবনি। মমাঙঙৈ পুৱারীনা অশেংবা তাক্লিবনি, ঐখোয় নীংতম্না চাবা মরাং কায়না কনাগীসু মীখা পোন্দনা পাল্লকপা মরোমদোম হিংজরম্বা লৈবাকনি। অদুবু লমদম অসিদা কদোমদৈ শিৎচিল্লকপা মফম মরাং খঙদবা নুংশিৎ অমনা পুম্লোই লোইশিল্লগে, য়োৎশিল্লগে মতাগুম ঙসিদি লৈবাকসি মশা পূম্বা শুম চাশিল্লবা অমগুম উহল্লি। ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা চীং পাৎ তুরেল, শা-ঙা, হৈরাং লৈরাং, উপাল ৱাপাল, ঈশিং নুংশিৎকী খল ঙাক শেল্লগা মহৌশাগী ফজবা মাঙহন্দনা থম্বনা ঐখোয় তুং কোয়না পানগনি। লৈবাক নিংথৌ লৈরি খঙনা চৎন-কাঙলোন থুগায়দনা অথৌবা-অথৌবী ইপা-ইপু, ইবেন-ইবেনধৌ কয়াগী থৌনা লৌশিং মার খোঙ্গুল লী, অমত্তা ওইবা লিংজেলদা অকনবা অচুম্বা শকপা য়ূমদাংবনা কৈনাবা তৌহনগুমসি, ইমা ওইবী, ইমা, ইচন-ইচেগী ইকায়খুম্নবা অচুম্বা লমচৎ শাজৎনা ঙাক্লসি।

মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মীৎয়েংদা উহল্লসি । ঐখোয়গী ইপা ইপুগী ঈগী মরী, লমচৎ শাজৎ, অচুম্বৈ শিবফাওবা মীখা পোনবা হৈনদবা থৌনা লিংজেল মসি খঙনা ঐখোয়না হিংনবা হোৎনবদা ঈজৎ কনগদবনি, অচুম্বনা মমৈদা লাকচরক্কনি, ময়াই কাবা পোৎলম থাদোকউ, মীৎতগী পি তানা খা-চিক্লা ৱাশক পরৈ থম্মু ঐনা ঙসিদগী ময়াই কাবা পোৎ অমফাও চারোই/থক্লোই হায়না। অদুদদা মহাও খঙহল্লিবা লৈবু মায়থীবা পীদুনা ময়াই কাবগী মহাও হুন্দোকউ। ময়াই কাবা পোৎ লৈবা, য়োনবা, চাবা থকপদা থম্বা ঐখোয়গী ওইবা ৱায়েল অকনবা চৈরাক্তা লোয়ননা মৈ পায়বদা কিবগুম অকিবা ওইহনগদবনি। নুংশিননা লৈমিন্নবা মচিন মনাও অমতা ওইবা ৱাখলদা শান্ন-খোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা শোন্নগদবা ওইহনগদবনি, ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্কদবনি। ঈরৈপাক্কী ঙমখৈদা মমাঙদগী হৌরকপা খুদিং অহকপা মীৎয়েং থমগদবনি, পোৎয়ানগী চিঞ্জাক্লা ঐখোয়বু তপ্পা তপ্পা শিহল্লক্লিবা অসিসু অহকপা চৈরাক পীগদবনি। তৌশিন্নরগা, তিন্নশিন্নরগা, মোইথেম তৌদুনা মোই চঙলকপদৈ ঙাকথোক্কদবনি। মখোয়দি য়ূমদাংবনা কৈনাবা হৈবনিকো। ঐখোয় লমগী ঙমখৈ মাঙবা য়ারোই, ঐখোয় ময়াই কাবা পোৎ চা থক্তুনা লৈথোক্কুমসি, মাঙদা চঙশিনসি, ঐখোয় কনাবু কিগুমসি, অচুম্বা লম্বী চৎসি, অচুম্বা হায়বা লাইদুতবু কিসি, লায়রবদৈ খমথেংনা লায়রবা ঐখোয়গী ইচিন-ইনাও লোইজি লোইয়াদা, লৌবুক্কী খাঙপোকশঙদা, অশেংবা মালং নুংশিৎকী ঈপোমদা লৌবুক লৌয়াদা অহিং মিংশেল খাং লৈরিবনি।

লাইরিক পাবা ফংহনসি, মখোয় পূম্নমক ফরগা লোইনা ফরক্কনি। হান্না লৈজরম্বদৈদি য়াম্না পিকশিল্লকপা মানবা ঙমখৈগী মতাংদা নীংশিংদুনা লৈরগা অচেৎপা ৱাখলদা ঐখোয়গী ওইবা অচুম্বা, নুংঙাইবা তপ্পা ঈংনা পানবা ওইরসি, ময়াই কাবা পোৎলম খুদিং লৈবাকসিদৈ মরূ ফুক্তুনা লংথোকখ্রসি, য়াইতোং খমদোং কয়ানসু ঐখোয়গী ইরম লীক্লম কনবদা মখোয়গী অচৌবা থৌদাং ঈরৈচাশিংগা লোয়ননা চৎমিন্নবা মথৌ তাবনি খঙগদবনি। মনা-মশিং, হৈ-রা চাদুনা লেনবা ঙম্লবদি য়াম্না ফবনি; ময়াই কাবা পোৎ চানীংলরোই।

ঐখোয়গী নহারোল ময়াই কাবা পোৎলমশিংদৈ কল্লসি, অনৌবা খুন্নাই অমা, ইপা-ইপু, ইবেনগী ৱা ঙাক্লসি, মীতৌ তম্বসু তোক্লসি। লোইশঙদা ময়াই কাবা পোৎলম পুশিন্দুনা লোন্না চা-থকপা থিংলসি। মালেমদা ফাওরবা লৈবাকশিংগী মহৈ হৈরবা কয়াগী মতৌ তম্বদা পূক্নিং থম্লসি। নুংঙাইবনা তোল্লবশিংবু য়োৎশিনবীবা ফুরা দলাননা লায়র খাঙপোক্কী লম লৈহনখিদবা পূম্নমক মায়োক্লসি/থেংনসি, শূ-নোম্বা কনসি, পূক্নিং লৌশিং ঙান্না লৈসি। লৌবুক লম্ধাং, চীংয়া-তময়া, ঙায়োক ঙাকোন, চীং-পাৎ কল্লসি, ময়াই কাবা চা-থক্তুনা লৈরিঙৈ মীনা ঐ-ঐগী যূম্ফম মুনখ্রনি, অমত্তা ওইবগী লিচিংদা লৈসি। ইমা লৈবাক্লা মায় পাক্লে মালেমদা শক্তাক্লি, ঐখোয় লৈ হায়বা তাকখিনি মতম চুপ্লে। ময়াই কাবা চাবা-থকপা মীওইদি মায়থীরে, মখোয় খঙজরে, তৌররোই হায়রে। অশেংবা ঈ চেন দুনা ফজবা মমি তাহনগদবনি। মায়থোঙ মকা লাম্বা, মোমোন নোকপা শকফমনা অয়েংবশিংবু পেলহল্লি। ফজবা লমচৎ শাজৎ ঙাক্কবনি। অফবা চাগদবনি। মৈখু-হীদাক থাদোক্কদবনি। চিঞ্জাক ফগদবনি।

অরোইবদা ঐখোয়না হকচাং ফনা, পুন্সি শাংনা লেনবা পাম্লবদি হীদাক শীজিন্নদবা তমগদবনি। পূক্নিং নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনগদবনি। অরৈবা অমসুং অফংবা খরনা পেনবা তমগদবনি। হকচাং অসি মপুগী শঙলেনগুম্বনি, কনামত্তনা শাবা ঙমদে। মহৌশাগী কাঙলোন কায়বনা হকচাংদা শেমগৎ-শাগৎপা হন্থরকই, থুনা হন্থহল্লি, চারিবা চিঞ্জাকসুনি অৱা-অনা, অৱাবা নুংঙাইতবা ৱাখল কল্লক মীহৌ পূম্নমক হকচাং মাঙনীংঙাইনি। ময়াই কাবা পোৎ চৈ চাবনা খুন্নাইদা নত্ত-নত্তবা মীহাৎ-মীপূন, তৌহৈদবা কয়া তৌরক্লিবা অসি খঙগদবনি। মসিদগী ঐখোয় কলহৌসি। ঐখোয়না ঐখোয় কন্দনা কনা লাক্তুনা কনবীরনি। হকচাং ফনা থমসি, মরুপ-মপাং তিন্নবা চেকশিনসি। ইনাক খুল্লগা, শেল পায়রগা অফবা লম্বীদা চৎলসি, খুন্নাইগী মতেং হেন্না ওইরনি, ফত্তবদা হিদান্নবা তোকসি। হকচাং, ৱাখল-পূক্নিং শেংনা লৈসি।

ইরৈপাক্কী পোক্লফম লমদমসিগী ওইবা
মদোম লোইজবা লৈঙাকলোন হঞ্জনবদি
থেংদি থেংমল্লে, য়াদি য়াগনি, এদভোকেট য়াম্না খঙ-হৈবা

অহৈবা অমা লৈরবদি মরুওইনা মালেমগী মীওইবগী হিংনবা হোৎনবৈ মায়কৈদা মথৌ খঙবা, খঙ-হৈবা, অখাং কনবা মহাক্তো অদুগুম্বা অমগী 'মথৌ তাই' হায়রম্বদো। অদুনা ঐখোয় ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবৈ মহুত্তা শূ-নোম্বা কনসি; মতম লৈত্রবনিদো। ●

# মালেমগী নুপীগী নুমিৎ
# 'নুপীশিং মশা ফবা অমসুং চাউখৎপা লৈবাক অমগী য়ুম্ফম্নি'

- দা. হর্শ ভরধন -

২১শুবা চহীদা ইন্দিয়াগী ৱারী অসি তোপ তোপ্পা চাওখৎপা অমসুং ইন্নোবেসনগী ৱারীনি। হকশেলগী থবকশিংদা, ঐখোয়না পোলিও মুৎথৎলে অমসুং মালেমগী ওইনা পীরিবা মতমদগী ঙনখৎনা মমা অমসুং অঙাংশিংগী টিতানস মুৎথৎলে। নুপীশিং হীরম কয়াদা চাওখৎনবা লৈঙাক অসিনা থৌশিল অমসুং থবক কয়া পায়খৎলি।

পোকপদগী হৌরগা মপুং-মরৈ ফারকপা অমসুং অহল ওইরকপা ফাওবগী ওইনা নুপীশিংগী য়াইফনবা স্কিম কয়া হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎলি। টিকা থাবা, হেল্থ ৱাকরশিংনা যূমশিংদা চৎপা, মশা ফনবা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা, থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমগী হকশেলগী থৌরমশিং, চয়োলগী ওইবা আইরন ফোলিক এসিদ পীজবা অমসুং সাথিয়া থৌরমশিং পায়খৎলে। প্রধান মন্ত্রী সুরকসিৎ মাত্রিভা অভিয়ান, সুরকসিং মাত্রিভা অস্বাসান, লেবর রুম ফগৎহনবা, মিদ-ৱাইফরিগী থবকশিংগী খুৎথাংদা য়ুম পাল্লবী নুপীশিং য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎলি। অয়ুসমান ভারত অমসুং হেল্ঠ এন্দ ৱেলনেস সেন্তরশিংগী খুৎথাংদা ব্রিষ্ট অমসুং সরভাইকেল কেন্সর স্ক্রিন্নিং তৌনবগী খুদোংচাবা লেম্না নুপীশিংদা মিনিষ্ট্রিনা ফংহল্লি। থা অমগী মনুংদা ৯শুবা নুমিৎ খুদিং মীরোনবী খুদিংমক লেম্না ইনভেষ্টিগেসন অমসুং হীদাক পীবা য়াওনা হকশেলগী খুদোংচাবা কয়া পীনবা কুমজা ২০১৬কী জুনদা পি এম এস এম এ হৌদোকখি। অভিয়ান অসিনা লনাইগী হেল্ঠ ৱাকরশিং ফাওবা ভলুন্টিয়র ওইনা লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিংদা শীজিন্নরি। অভিয়ান অসিগী মখাদা মীরোনবী ক্রোর ২.৩৮ অঙাং পোক্ত্রিঙৈগী চেকশি-থৌরাংগী খুদোংচাবা ফংখি অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মীরোনবী লাখ ১২.৫৫ মশক খঙদোকখি।

চাবোক্লবা কা অমসুং ওপরেসন থিয়েটরশিং ফীভম ফগৎহন্নবা অমসুং মীরোনবীশিং চেকশিন্না অমসুং ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা অঙাং উনবা য়ানবা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বরদা লাখস্যা হৌদোকখি। হৌজিক ফাওবদা লেবর রুম ৫০৬ অমসুং মেটরনিটি ওপরেসন থিয়েটর ৪৪৯ লৈঙাক্লা মশক খঙলে; লেবর রুম ১৮৮ অমসুং মেটরনিটি ওপরেসন থিয়েটর ১৬০ নেসনল লেবেলদা লাখস্যা সরটিফাইদ ফংলে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা লেবর রুমশিং খক নত্তনা মেটরনেল এন্দ চাইল্ড হেল্ঠ ৱিংশিং লৈরে। হৌজিক ফাওবদা এম সি ঐচ ৱিং ৬৫০ অমসুং অহেনবা ফম্মুং ৪২,০০০ সেঙ্কসন তৌরে।

কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১০দা হৌদোকখিবা সুমান অসিনা নুপীশিংগী পায়খৎপা খ্বাইদগী নৌবা থৌরম্নি। মসিগী মখাদা নুপীশিং অমসুং পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিং লেম্না অমসুং অফবা মখলগী লায়েং ফংনবগী খুদোংচাবা পীরি। সুমানগী মখাদা হৌজিক লৈরিবা মমা অমসুং অঙাংগী হকশেলগী স্কিমশিং অসি অমত্তা ওইনা পুনশিল্লে।

অয়ুসমান ভারতকী হেল্ঠ সেক্টরশিংনা চহী ৩০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং দাইবেটিস, ওরেল, ব্রিষ্ট অমসুং সরভাইকেল কেন্সর লৈবরা হায়না য়েংথোকপগী থবকশিং পাঙথোক্লি। হৌজিক ফাওবদা নুপী ক্রোর ১.০৩ ব্রিষ্ট অমসুং সরভাইকেল কেন্সরগী স্ক্রিন তৌখ্রে অমসুং নুপী লাখ ৬৯ হেন্না সরভাইকেল কেন্সরগী স্ক্রিন তৌখ্রে।

ত্রেনিং পীনবা 'দাকসাতা' কৌবা থৌরম অমা কুমজা ২০১৫দা হৌদোক্লে। দোক্তরশিং, ষ্টাফ নর্সশিং অমসুং এ এন এমশিং য়াওনা হেল্ঠ ৱাকরশিংদা ইন্ট্রপারতম কিয়ারগী মতাংদা নুমিৎ হুমনিগী ত্রেনিং পীরি। হৌজিক ফাওবদা হেল্ঠ ৱাকর ১৬,৪০০ দাকসাতা ত্রেনিং পীখ্রে।

মীরোনবী অমসুং পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদা অফবা হকশেলগী খুদোংচবা ফংনবা হন্দক মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা 'মিদৱাইফরি সর্বিস ইনিসিএটিপ' হৌদোক্লে। মসিগী পান্দমদি ইন্টরনেসনেল কনফিদরেসন ওফ মিদৱাইফস (আই সি এম)না পীবা মতুংইন্না চাবোকপী নর্সশিং শেমগৎপনি অমসুং মতিক চাবা ত্রেনিং পীবনি। হায়রিবা ত্রেনিং অসি ফংহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নেসনল ইন্সটিট্যুৎ ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিসি ৱেলফেয়র, লেদি হারদিং, সাফদারজং, জামিয়া হমদার্দ অমসুং ত্রেন নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াদা কুমজা ২০১৪দা নেসনল স্কিল লেব মঙা 'দাকস' হাংদোক্লে অমসুং গুজরাট, মহারাষ্ট্রা, মৈধ্য প্রদেস, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওরিষা, টামিল নাদু, ত্রিপুরা, জে অমসুং কেদা স্কিল লেব ১০৪ হাংদোক্লে। হৌজিক ফাওবদা নেসনেল স্কিল লেবশিং অসিদা হকশেলগী মীওই ৩৩৭৫ ত্রেনিং পীরে অমসুং ষ্টেটট স্কিল লেবশিংদা হকশেলগী মীওই ৩৩৭৫২ ত্রেনিং পীরে।

রেজিষ্টর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা এম এম আরগী মতাংদা ফোংবা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা ইন্দিয়াগী মেটরনেল মোরটালিটি রেসিও অসি চহী অমদা পোইন্ট নিপাল হন্থরে। মসিগী হন্থবা অসিনা তাকলিবদি চহী অমদা মীরোনবী ২০০০ রোম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়বনি। কুমজা ২০১৪-১৬দা এম এম আর অঙাং উনবা লাখ ১দা ১৩০ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৫-১৭তা ১২২দা হন্থরকখি। মসি চাদা ৬.২ হন্থরবনি। মসিগী হন্থবা অসিনা কুমজা ২০২৫দা ইন্দিয়াগী এম এম আরগী সস্তেনেবল দিভলপমেন্ট গোল অদু ফংবা ঙম্লগনি।

লৈবাক অসিদা হোস্পিটালদা অঙাং উনবা কুমজা ২০০৭-২০০৮দা চাদা ৪৭ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৫-২০১৬তা চাদা ৭৮.৯দা হেনগৎলে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অশোই-অঙাম য়াওদনা অঙাং উনবা চাদা ৫২.৭দগী চাদা ৮১.৪দা হেনগৎলে। হায়রিবা পান্দম অসি ফংবদা জে এস ৱাই অমসুং জে এস এস কেনা মতেং পাংখি।

স্কিমশিং অসিগী মখাদা মীরোনবীশিংদা লেম্না হীদাক, চানবা চিঞ্জাক, লেম্না দাইগ্নোষ্টিক তৌবা অমসুং দরকার ওইবদা লেম্না ঈ ফাওবা পীরি। মসিদা মীরোনবীশিং য়ুমদগী হোস্পিটালদা অমসুং য়ুমদা থিনবগী খুদোংচাবা পীরি। স্কিম অসিনা অঙাং অমা চহী ১ ফাওবা মখল খুদিংমক্কী হকশেলগী চেকশিন-থৌরাংগী খুদোংচাবা পীরি।

প্রি-কনসেপসন এন্দ প্রি-নেতেল দাইগ্নোষ্টিক টেক্নিকস এক্ট, ১৯৯৪গী মখাদা পুক্লুংদা লৈরিবা নুপীমচাশিং হাৎপা থিংনবা ভারতকী সংসদনা এক্ট অসি চৎনবা হৌহনখ্রে।

আশাশিং, এন এন এমশিং, ষ্টাফ নর্সশিং, নুপী দোক্তরশিং য়াওনা মশীং য়াম্লবা হকশেলগী ষ্টাফশিংনা লৈবাক অসিগী নুপশিংদা অফবা মখলগী হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি। অতোপ্পা মিনিষ্ট্রিগী অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংবু নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফনবা থবকশিং পাঙথোক্লি। অসুম্না লৈঙাক্কী থবকশিং অসিনা নুপীশিংদা খুদোংচবা কয়া ফংহল্লি। ●


**INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)**

Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank

GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684

**Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-**

1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.

**N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)**

*Please visit to the IIBIT Office Kakching*

*Please Contact : IIBIT, Kakching Branch*

# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918

HL-B/6062/15/2-20/3



**ADMISSION OPEN**

**PHOENIX ENGLISH COACHING**

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson

Complete discussion of exam-related questions

Free supply of printed questions and answers

Weekly exam-oriented tests.

Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.

PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)



OFFICE OF THE

**Kanglei Leimarol Leishemba Group ( K.L.L.G )**

*MantripukhriKalibariNear Bishop House,Imphal East,Manipur-795002*

No.015/02/2019 –KLLG Date: 20/02/2020

**Job Vacancy**

Applications in plane paper along with resumes are inviting from energetic and dynamic smart educated persons who have the willingness to work for the post of **Recovery Officers(R.O)** in our emerging company .

***Essential Qualification***: 10+2 and above in any stream from recognized Board/University.
Experience in Loan recovery and having computer knowledge is preferred.

*Salary* : Rs.6,000 + Allowances
*Last date of Application Submission* : 16th March 2020
*Date of Interview* : 20th March 2020

**N.B :The applicants should posses their own vehicle.**

Sd/-
Manager (L.F)
8837483007

HL-P/6248/23,25,27,29,2,4,6


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েংঅইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।